## ৱারী মচা

# খুনগায়–লৈকায়হনবা মী

### কব্রবম চীংলেম্বা, আগরতলা

মফম অদু হেক য়ৌরকপদা মোহেন, মশাপূম্বা শ্বাই লাউখি। অমুক্তং চত্তুনা য়েংনীংবগী অকনবা লীচিং অমদা লাকখিবনি। মপূক্লীং মওল মওল, লৈতাদে। তোংলক্লিবা গারীদু খুদক্তা খামহল্লগা কুমথহৌই। লম্বীগী নাক–য়েৎ কোয়না–কোয়না য়েং, ৱাখল ফুম্বংননা মখোঙ তপ্পা তপ্পা থাংই।

মতমগী খোঙচৎকা ইরোয়ননা ফনা য়ান্না ওহ্নোক্লম্লে। য়ুম–কৈ ময়াম অমা কৃক–কৃক ইন্ননা শাজিন্দুনা মহৌশাগী ফীভম পূমওন–ওহ্নোক্লম্লে। অদুবু, মোহেনগী থমোয়দদি থোইদোকপা অহোংবা পোক্তে। মতম কুইনা থাদোরকখ্রবা পোক্লফম লৈবাক্কী মহাও অদু নৌহৌননা অমুক ফংলকপগুম মপূক্লীং নুংওন্না লাঙতক্লবা ফাওরকই। লৈতাফম খঙদে।

খরা চৎখৎলগা লম্বীগী খা–পাংনা য়েংথোরকপদা লৈবুং মথক্তা হৌরিবা পাক–চাউরবা অহল ওইরবা খোঙনাং পাম্বীগী মখোঙদুদা লৈরিবা মহাদেবগী লাইশঙ মচাদু উরুবগা মাগী থমোয় লাঙতক্লবা হেল্লকই।

খোঙকাপ লাওনা লাওনা কান্দুনা লাইশঙদু য়ৌবগা চপ লেপই। মীৎকুপ খরা তূম্মীন্না লৈরম্বদগী তপ্পা চঙশিন্দুনা লাইমাঙদুদা খূরু–খুদক কূন্দুনা মহাদেব ইবুংঙোবু খুরুম্বদগী হিক্ল–হিক্লা কপথোরকই। করিগীসু কপনীংলোই? পীশক–পীক্লিকৈঙদগী থাগোন্নজদুনা লাকখিবা পোক্লফম মখুঙ্গংনি। মহাদেবগী লাইশঙসিসু মাগী মপুবোক্লা লিংখৎলম্বনি। মতমদুদা মখোয় য়ূমতগী ওইনা চয়োলগী নিংথৌকাবা নুমিৎ খূদিং চিথদনা পূজা তৌরম্মী। অখন্নবা নুমিৎশিংদা খুঞ্জাশিং হৌনা লাই খুরুম্নরম্মী। ফোলা চারম্মী। হরাও কুম্মে কয়া পাঙথোক্লম্মী। লাইশঙ অসিগী মমাঙদা মতম’মদদি মপুবোক্কী মমিং থাবা সাইনবোর্ড মচা’মা থেৎলম্বনি, থেৎলমদ্রে। মদুগী মহুৎ ঙসিদি ‘সার্বজনীন শিব মন্দির’ হায়না শিল্লম্লে।

লাইশঙগী লৈবুং মচাদুদা লেপ্লগা মায়কৈ ফাংনা য়েংলুবদা মখারোমদা লৈরিবা মখোয়গী হান্না লৈরম্বা যুম্ফম ইংখোল অদো শং–শংনা উরকই। অনৌবা য়ূম ময়ান্না মমাঙঙৈগী শক্তম মাঙহনখ্রবসু মখোয়না লৈরিঙৈ মতমগী পুখ্রিদুমদি হৌজিকসু ফুঞ্জিল্লমদ্রি। অদুগা পুখ্রি মপান্দুদা হৌরিবা হান্নগী হৈনৌ অমদি বোরোই পাম্বী অনীমসু হৌজিক ফাওবা লেঙদনা লেপ্পল্লিবদুসু উই। মপূক্লীং নুংশিরকই, মথমোয়দা খঙহৌদনা খাঙঙমদবা মৈচাক অমা ফাওরকই। মীৎকুপতুদা নীংশিংলকই মাগী হৌখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী ৱারী চবুন চবুনশিং,

– ‘‘ইবুঙো মোহেন, নঙনা যুম্ফম ইংখোল য়োহ্নোক্লনি তৌরিবসি খুরাদি ওন্তোক্লা য়ানীংদবনি। ’সুক চংখোন্না তারিবা ঐখোয় লৈরকসিদা লোল–লি তিন্নদবা মীতোপ য়ানশিল্লকপা হায়বসে তুংদা কয়া অফবা ওইগদৌবা মান্দে।’’

– ‘‘খুরানা হায়বীরিবসি অচুম্বা ঙাক্তনি। ঐ ইশামক্লফাওবা পামজদবনি। মদুগীসু মথক্তা ইংখোল অসি ইপা–ইপুগী শেংলবা খুভমনি। অদুবু খুরা, ঐগী ঙসি নংলিবা দশাসিদা ঐঙোন্দা অতৈ অতোপ্পা করিদি পাম্বে লৈরি?’’

মখোয় অনী কোন্নদুনা কপমীন্নখি। খুরাদুনা মপূক্লীং নুংশিনা হায়খি– ‘‘ওহ! আদ্দাদার ইমুংগী ফীভম ’সি য়ৌরেকো! ঙসি নঙ খুরানা খজিক্তং শেল–থুম পায়বা মী ওইরল্লবদি খঙলমগদবনি। অদুবু শেঞ্জাও পায়রিবা কুবের, মনিহোইনা তুংগী ৱা খজিক্তং খল্লন্নবদি করিসু ৱারোইদবনি। নঙ খুরাদি অরু কয়ানি হিংখিনি? অদুবু ঐয়াক্লা খঙবা’মদি লৈরে। নোংমদি খুঙ্গংসিদা ঐখোয় লৈবা ঙম্মক্লোইদৌরি।’’

অদুঙৈ খুরাদুনা হায়খিবা ৱাহৈশিংদো ঙসিদি চপ–চানা থোক্লম্লে। মখোয়গী হৌরকফম খুঙ্গংদুদা মৈতৈগীনি হায়বা ইমুং অমত্তসু লৈত্রে।

মোহেনগী মপা পোকপা মপুবোক জনমেজয়, মীয়ান্না আদ্দাদর হায়রগা হেন্না খঙনখি। ‘‘আদ্দাদার’ হায়বদি হৌজিককানগী ‘কলেক্টর’গা হাইফেৎ মান্নবা জাৎনি। লৌচা কয়াগী মপু ওইদুনা নিংথৌগুন্না পাল্লম্মী। চহীগী পূজা পালি, কুম্মে ফিয়োং ৱাৎলমদে। পূন্নমক্তু মোহেনবু পোকপা মপা হাক্তক্তা লোইনমক তুমখি।

মোহেনগী মপাবুংদু মখূৎ চাউবা নুপাগা ওইবনে, মতমদুদা কন্না হৌরকখিবা ‘নোকশাল ঈহৌ’ হায়বদুদা পূক্লীং লূপশিল্লুবদগীদি তোয়না–তোয়না ফাদোক তাবগী থৌদোক চেন্নরুবনা লৈজরম্বা লন–থুম পূন্নমক লোইশিনখিদুনা মশাগী যুম্ফম ইংখোলদুতমক ঙাইহৌখি।

মোহেননা মিষ্ট্রি শূদুনা য়ান্না ৱানা সংসার পুরিঙৈ তাঙ্কত্তুদনি মপাবুং শিদোকখিবা। মপাবুং লৈখিদবগী শোরাৎ কর্মগী কোকচাওবী কারিবা চৈরক্তুদনি মাগী নুপীদু খঙহৌদনা কন্না লায়কন্নদুনা হোস্পিটালদা পুখৎখিবদো। মদুদগী অচৌবা হোস্পিটালদা ’মুক থাগৎখিবদদি অঙাংখাউদা অচৌবা ওপরেসন অমা তৌদবা য়ারোই লূপা লীশিং কুম্থ্রামুক চঙগনি হায়রকখি। নোংমগী লূপা কুম্থ্রা তানবদা ৱানা থোক্লিবা মোহেনদদি লূপা লীশিং কুম্থ্রাগী ৱা তাবদা মকোকথক্তা অকনবা নোং খাকথরকখিবগুন্না থোকখি।

মোহেন ঙসিসু কাউদ্রি। শেলগীদমক্তা মানা অমদসু অমদসু কোয়ঙাও ঙাওনা চেনখিবদু। খল্লুরগা হৌজিকসু তুজুংবা ফাওই। খুঙ্গংসিগী শেঞ্জাও পায়বনি হায়না লৈরিবা লাইশ্রম কুবের, মনিহোয়দা হায়জরুবদা থৌশাবিখিদে। ইংখোলসি বন্ধান নত্তগা য়োনগে লৌবীয়ু হায়জখিবদনা মমল তঙ্খায় অমদগী হেন্না পীনীংখিদে।

যুম্ফম–ইংখোল য়োনবগী ৱাফমদু মাগী নুপীনদি সুকয়া য়াজখিদবনি। অদুবু মোহেনগীদি মাগীনি হায়বদা অমত্তা ঙায়রবা নুপীগী খাঙঙমদ্রবা অনা খাঙবগী হেদো–নাহে মীকপ তাবকান্দা খাঙদুনা লৈবা ঙমখিদে। মাগী নুপীগী থৱায়গী মমলদগী যুম্ফম ইংখোলনা হেল্লি হায়না খনবা ঙমখিদে। অকোনবদদি শিলেটতগী নৌনা লাকপা মজুমদার বাবুদা যুম্ফম ইংখোলদু য়োনবা তাখি। মানা অহানবদদি খুঙ্গং–খুঙ্গাশিংগী মতাংদা খম্থখিদবদি নত্তে। অদুবু বাংলাদেশতগী লূপা কোকথোং অমা পুদুনা লাকপা মজুমদার বাবুনা মাবু অসুন্না থেমখি– ‘‘মোহেন বাবু, খুঞ্জাশিংগীদমক্তদি থোইনা খল্লুবা কান্নদে, অদোমগী চিরবা তাঞ্জাসিদা ঐহাক্লা ঙমজবা মতেং পাংজগে, অদোন্না হৌজিক মথৌ তারিবসি শেলনি, অদুগা ঐগীনা ইশাগী যুম্ফম ইংখোল মচা’ম। চৎলিবা মমলসিদগী শরূক খরা হেন্না পীয়ু হায়রবসু পীজরগে, মখা তাবদি অদোন্না খরা থুনা লেপ্পীরো।’’

মজুমদার বাবুনা হায়রমখিবা ৱাফমশিংদু মোহেন্না তরাই–তরাইনা হেক্তা লৌখিবদি নত্তে। অদুবু, খুঞ্জাশিংনা মাগীদম্‌কতা করিমত্তা খনবিদ্রগা চৈথেং ফংলিবা মানদি মখোয়গীদমক্তা করি অমুক খল্লুগনি? মখোয়গী পাউতাক্তি– ‘‘নপাবুংগী শোরাৎ চাউনা শোল্লু, পালা মশিঙ য়ামহল্লু, কুম্মে নুংঙাইহল্লু ... ’’ হায়বশিং অদুতনি। মাগী অৱাবা খঙবীবদি কনাসু য়াওখিদে।

মোহেননা খুল অসিদৈ হোংখিবা নুমিত্তুদগী হৌনা খুল লাইরেম্বী ইমাদো খোঞ্জেল থোক্লা তেংথাবা হৌখিবরা! মোহেন্না হৌদোক্লম্বা থৌরম অদু ইকুই কুইদনা মাগুন্না দশা নংলবা খুঞ্জা খরনসু চখনরকখি। মদুগী মতুং তাবদদি খুঙ্গং অসি কায়বা হৌরকখি, ৱাখল্লোল মান্নরক্তবা খূৎপুশিংনা খুন অনী খায়দোক্লদুনা নাকপাক নাকপাক তানবা হৌখি। লৈমিন্নবা নুংঙাইনরক্তবদগী মীতোপ মীয়ানশিংদা লৌ ইংখোল চোন্নপ চোন্নপ য়োনশিল্লমদুনা হোংনখিবা হৌনরকখি। মীতোপ্পা মশিঙ সুম হেঞ্জিল্লকপদগী লেমহৌরিবা খরশিংদুসু খুল থাদোকপা তাখি। অসুন্না মতম খঙদ্রবা মপা–মপু হাক্তক্তগী চারোন কয়া লীশাং–শীৎনা পাল্লম্বা মৈতৈ খুঙ্গং অমা পূংমূৎ মূৎখি।

হৌখিবা ৱারী কয়াদু নীংশিংদুনা খল্লু–খল্লুরগা থমোয়গী মৈচাক পুবা ঙল্লক্তে। মোহেন মফম অদুদা কুইনা লৈনীংলক্ত্রে। হল্লগে খল্লদুনা লাইশঙদগী কূমথরকই। অদুবু অমুক খল্লকখি – ‘অসি য়ৌনা লাক্লগা মতম শাংনা উনখিদ্রবা মজুমদার বাবুগী ঈ–পাউ অমতংদি লৌখিবা ফৈনা।’ অদুগীসু মথক্তা মখোয়গী হান্নগী যুম্ফমদুসু অরোয়বা ওইনা অমুক্তং য়েংনীংবগী মৈনা মোহেনবু মখোয়গী হান্নগী যুম্ফম ইংখোললোমদুদা থৌজীল্লক্কুনা থমোয় মিহুল দিং দিং চঙশিল্লকই।

যুমশা ওহ্নোক্লম্লবসু ইংখোলদি মহৌশাগী মওংদুদা অদুম লৈরম্বা উবদুদা মোহেন থোঙ্গাল হেক কানশিনবদা মশাদা থুক লাউবা’ম ফাওই। মশামক্কী ময়ূমমক্তদা চঙলকপগুন্না অঙকপা ঈথিল অমদা তাউখিবগুন্নসু তৌরকই,

– ‘‘কনা ওইরবনো? কনাবু থিবা লাকপনো?’’ থোঙ্গাল লানশীনবদা উনরিবা মশা মউ দিগ দিগ লাউবা নহামচাদুনা হংলকপদুদা মোহেন জ্ঞান খরা লাকপগুম তৌই,

–‘‘সিবু মজুমদার বাবুগী য়ূম নত্তবরা ইবুংঙো?’’

– ‘‘মান্নি।’’

– ‘‘ঐসে ইবুংঙো, সিগী যুম্ফমসিগী মপু ওইরল্লিবনিনে’’, ৱাখলগী ঈহুল অমদা মোহেননা হায়দোকখিবনি।

–‘‘করি! ঐখোয়গী যুম্ফমসিগী মপূ হায়বা! লম দাবি তৌবা লাকপিরিব্রা!’’ নহামচাদুনা করি খল্লুরবা ইফিং ফিংনা হোৎচিল্লকপদুদা মোহেন্না মখা তাই– ‘‘নত্তে নত্তে ইবুংঙো, ঐনা হায়বদি ইংখোল অসি ঙসিদগী চহী কুনমঙারোমগী মমাঙদা মজুমদার বাবুনা ঐঙোন্দগী লৈখিবনি।’’

নুপামচাদু হৌজিক্তা খরা জ্ঞান তারমাল্লে, মোহেন্না খল্লি হৌজিক্কালগী অঙাংশিংসি চন্না ৱারী শাবা য়াদ্রে।

‘‘ফম্বীয়ু, ঐখোয়গী ববাদা তাক্লুখিগে’’, হায়রম্লগা নহামচাদু ইমুংলোমদা চঙখি। ঙহাক মতুংদা ইমুংলোমদগী মখোয়গী মরোলদা ‘‘নুংথিল ঙহাক্তং পোখাগে তৌবসিদা হাও নুপা’ম লাক্লি হায়সিবু কনানো ...’’ ঙাঙল–ঙাঙলদুনা মজুমদার থোরকই। মখোয়নী মতম শাংনা উনখিদবগী হৌনবী অমনা অমবু শক লাকপদা চমন্নে। ঙহাক ৱারী ৱাতায় শান্নরবা তুংদা নীংথিনা খঙনরকই। অমনা অমগী ঈ–পাউ লৌনৈ।

মখোয়নী ৱারী–ৱারীদগী মজুমদারনা য়ান্না অঙকপা মওংদা যুম্ফম য়াওদবা ৱাফম অমা পল্লকপদা মোহেন চঙক্লনা লৈ। য়ান্না থাজদনা মজুমদারনা গীৎ নমশীল্লকপা ৱানি,

–‘‘অদোন্না য়ূম হেক হোংখিবদগী পাউকা অমত্তা পীরকখিদ্রে, ঐঙোন্দগী লূপা লীশিং অনীখক হেন্না লৌখিবদুসু অদুম শিংলমদ্রে। ঙসিফাওবগী শেন্দোয় পারুরবদি আঃ য়ৌরনি, অদুবু ঐ দাবি তৌজররোই, শেল্লেপতুদংদি পীবিরম্মু।’’

– ‘‘করি ৱানো হায়বিরিসিবো! ঐদি লমগী লেপ্পখিবা মমল নত্তবিদা অহেনবা শেল অমত্তসু লৌখিবা লৈতেনা।’’ মোহেনদি উদগী তাবগুম পঙখ্রে।

মখোয়নী লৌই লৌদে হায়বগী ৱায়েৎনরকই। মজুমদার মপা মচানা মাবু ‘শেলহাৎপা মী’ হায়বনচিংবা ধমকী তৌদুনা মখোয়’ ময়ূমদগী তাহ্নোরকই। মোহেন শাউনীংবা অমসুং ইকায়–নুংশি য়ান্নদুনা মশাপূম্বা থক থক নীকই। মজুমদারগুম্বা মীরমদগী হোংলকপা মীতোপশিংগী লীচৎ শাজৎকী মরমদা মীনা ঙাঙনরিবশিংদা ঙসিদি মমীৎমক্লা উরে।

মোহেন পুন্সিদা অমুক হন্না কাউবা ঙল্লরোইদবা ইকায়বা মায়থীবগী পুঙমদবা পোৎলুম অমা পুদুনা মীৎলু অনীমক ঈরা চেন্দুনা মজুমদারখোয়দগী থোরক্তুনা নীংলোমদা হন্না য়েংলমদনা লম্বীগী গারী খাম্ফমদা চুমত্রিং লাকই।

গারী থাগে তৌরকপদা মানা ফল্লিবা থোঙনাও মপানলোমদগী মনাকোং ময়াদুদা হায়রকপগুম্ব’ম তাবগুম তৌখি– ‘‘ইবুঙো মোহেন, খুনগায়–লৈকায়হনবা মী হায়দো নঙনি ...’’, খোঞ্জেল অদু চহী কয়া মমাঙদা লৈখিদ্রবা খুরাদুগী খোঞ্জেলদুমক্লি। অদুবু মপাললোমদা য়েংথোকখিবদদি শকখঙনবা কনামত্তা লৈরম্বসু উদে।

গারী লেপ্তুনা চেল্লি। মোহেনদি খল্লু খল্লুরগা নীংমলক্তে। মীৎলু অনীমক পিরাংনা চোৎলকই।

---

## তাবুনুংদগী

*(হৌজিক্তুগী চহি ৮৫ মুক্কী মমাঙদা ডা. নিংথৌজম লৈরেন না এডিটর ওইদুনা ‘‘য়াকাইরোল’’ কৌবা থাগী চেফোঙ অমা ফোঙলম্মী। চেফোঙ অসিগী এপ্রিল ১৯৩১ গী খুৎফোঙদা ফোঙখিবা লমাবম কমলনা ইবা ‘‘মিংচৎ’’ কৌবা শৈরেং অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।)*

### মিংচৎ

কল্লব লৈকং থুগাইদুনা পাম্বী হৌই।
অচৌবা পাম্বীদু নুংশিৎনা ফুকতোকই।
অকনবা নুংশিৎকী বেগ চীংশাংন থৎলি।
চীংদু থুগাইদুনা তুরেন্না চেল্লকই।
তুরেলগী ইচেলদু সমুদ্রনা য়োৎশিল্লি।
সমুদ্রনা শাউরক্লগা পৃথিন থিংলি
নুমিৎনা চাং নাইহল্লি পৃথিবীগী গতি।
মতমগী মনাইনি অদুম্ব নুমিত্তুদি।
মতমগী ঈচেন্না কনবু কল্লব,
থৈদুনা চৎলি মিংচৎকী চীংদোল অৱাংবা।
মতম কুইরগা ৱাংখৎলকই মাগী চীংদোল।
মিংচত্তনি মীওইবগী মাংদবা লল।

**শ্রীকমল সিংহ ডাক্তর**

---

## মণিপুরী পাম্থৈ–পাউরৌ, পাউতাক

**৪৮১ অঙম–তান্নবদা ঙম্বনা থৌনা ফবা শকপরা।**
– ক্রক–ক্রক য়েংশিন্নবদা মায় পাকপনা মথৌনা ফবনি হায়বা লুই।

**৪৮২ অপঙবগী চোইরকপা ৱাখল ফাজিনবা ঙমদে।**
– অপঙবদি অফ–ফত্ত খঙলক্তে।

**৪৮৩ অপঙবনা থোইচৎ–ৱাংচৎনৈ।**
– অপঙবদি মানা মহেল্লি হায়দুনা ঙকচাও থেকই।

**৪৮৪ অকোক মাঙদা লোইশিনবা**
– ৱায়েলশঙদা লোইশিনবা।

**৪৮৫ অপঙবনা মচা নুংশিবা মপান থোকই, অশিংবনা মপূক্লীংখক্তদা নুংশি।**
–অপঙবদি তৌথোরকপা খূদিং ইফোং ফোংঙি, অশিংবনা তুমিন্না হোৎনৈ।

**৪৮৬ অপানবা খুদিং অনী ওইদে।**
– অচুম্বা হায়বসিদি অমখক্তনি।

**৪৮৭ অফবা ৱাখল খল্লগা অফবা থবক থোক্লকই।**
– ৱাখল ফরগা থবকসু ফবা।

**৪৮৮ অরানববু তৌদ্রবা শুবা–নোম্ববু কল্লবা কনাগীসু মীখা পোল্লোই।**
– মীখা পোন্দনবা পাম্বে।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

---

## চানক্য নিতি

– মথৌ তৌরিঙৈদা মীনাইবু, খুদোং থীবা মতমদা মরী মতাবু, অৱাবা তাবদা মরূপ্পু অদুগা মরাই চাইথরকপদা নুপী (মতু) বু মশক খঙগদবনি।

– দরকার লৈবা মতমদা, খুদোং থীবদা, লাইবক থীবদা, চাক তাঙবদা, লানফমদা, নিংথৌগী মমাঙদা (ৱাথোকপদা), মোংফমদা, তেংবাং পীররিবা (লেপ্পরিবা) মহাক অদু মরূপ্পি, অশেংবা মরী–মতানি।

– শোয়দ্রে খঙলববু হুন্দোক্লগা মথোং খঙদ্রিববু লৌরিবা মীদুনা অরৈববু মাঙগনি, হান্ননা মাঙখ্রববুসু ফংলরোই।

– শক ফজদ্রবসু ঈকাই খুন্নরবা শাগৈগী কন্যাবু অশিংবশিংনা লৌগনি। শক হেল্লবসু হন্থবা জাতিগী নুপীদি লৌফদে। থাক মান্নবগী মরত্তা লুহোংবনা হেন্না ফবনি।

– খুজিন থৌবশিংদা, তুরেন্দা, মচী পানবশিংদা, খুৎলাই পায়বশিংদা, নুপীশিংদা অমসুং নিংথৌ মচাশিংদা থাজবা তৌগনু।

– হূদা য়াওবা অমৃতবু লৌগনি, অমোৎপদগীসু সনাবুদি খুনগৎকনি, অতোনবা জাতি ওইরবসু জ্ঞানী ওইরবদি ঈকাই খুন্নগনি, মগুণ লৈবা নুপীবুদি ফত্তবা শাগৈদগী ওইরবসু লৌগনি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি**

---

## মণিপুরি পাউখোং

৬. খ্বাইদৈ য়াংবা।
৭. চার ফাই চার ফাই–
৮. তাংবদা কানদবা–
৯. থার ফুক থার ফুক–
১০. থেগাংদা ফাইবা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমায়জিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (২০–৮–২০১৭) পাখোঙ ফোঙবা***

*১. খৈরোই অপাইবী*
*২. থাংজীং মনা*
*৩. শক্তি মপাক অকংবা*
*৪. লফু কাবা*
*৫. পৈয়া পুনবা*

---

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

**১. অকঙবা মোরোক তাউবদা হারবদি?**
– মোরোক অকঙবা তাউবদা হাবা হায়বসি হৌনশানি। তত্তনসু থোক্লে। থোকহনবিরোই হায়রবদি মোরোক তাউবদুদা থুম খজীক্তং থাকচীনবিয়ু, হাররোই।

**২. অখাবা হীদাক চাবীগে/পীজগে হায়রবদি?**
– য়ান্না খাবা হীদাক চাবা নৎত্রগা অঙাংদা পীজবিবদা অখাবা মহাউ ফাওহনবিরোই হায়রবদি হীদাক্তু চারমদাইদা থুম মরু–মঙাদং হান্না চাশীনবিয়ু /উমহনবিয়ু।

(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকপা)

---

## শৈরেং

### চাওখৎলক্লে তাকইবনি ঈশিংনা

*– কে হেরো মৈতৈ*

নোং চুরে ঈশিং চাওখৎলে
চীং নিংখাইরে লম্বী থিংলে
ডিমান্দ পীদ্রে ব্লোকেদ হৌরে
ঐখোয় সোভরেন্ট কন্ট্রি ওইগদবনি
ঐখোয়গী হীষ্ট্রি ঐখোয়তনা খংগদবনি
কাংলূপ তিন্নদ্রবসু লোল তোঙাল্লবসু
ঐখোয়গী পারী পুরী অমত্তনি
অচুম্বসু অচুম্বনি লাল্লবসু অচুম্বনি
হায়রম্বদুতা হায়বনি তাহৌবদুতা তম্বনি
নখোয়না হায়বা ঐখোয়না খংদে
লাল্লম্বা লৈরবসু অদু ওইরসু
তৌদবা য়াদে ঐখোয়না পাম্বাশিং
ঐখোয়না শেম্বা হীষ্ট্রিদা য়াওরবনি
চাওখৎলকপগী হায়বনি অদু ওইরসু।

### থাজবা

*– ধনজিৎ থোঙাম*

নঙ লৈরম্বনা পুন্সিসে
শিঙমদনা অদুম হিংবা তারি।
কায়থরক্লিবা আশা মপৈ–মপৈসিদা
ইমীৎসে পেন্না য়েংজদুনা
অরোইবা মীৎকুপ্তু ঙাইবা
মসিদা ঐগী থাজবা পুম্বা লৈরি।

হিংবাঃ
তৌবগীবুদি অমম্বসি পুন্সিনি।
ঙসিফাওবা লুপতাউ তাওথরক্লি পুন্সিসি,
নঙনা চেজেৎ য়োমশিনবীদুনা
য়াঙনা চেল্লিবা ঈচেলসিদা।
নোং ওনখিদ্রবা ঈচেলগুম
চাইথোকখ্রবা ঐগী ৱাখলনা
নঙগী অশেংবা শক্তমদু য়েংজরগা
কয়াদা পেন্না হিংজরিবা ঙসিসু
লুমথরক্লিবা পোৎলুমশিংসিগা লোয়ননা।
হিংগে নৎত্রগা শিগে খল্লকপদা
নঙনা যূম্ফম ওইদুনা
পুন্সিসে কয়াদা চেৎশিনহনখিবা
অমুক শিদোকপা য়াররোইদবগুম
শিদোক–শিজিনগী তাইবঙসিদা।
থাজবা নঙ ইনাকসিদা অদুম ফম্মুকো
পুন্সিগী অরোইবদু য়ৌদ্রফাও।

### মংফমগী পাউ

*– সোবীতা বাচষ্পতি*

হে বসন্ত!
নঙনা লাকপা উবদা
নুংওল্লুই ঐনদি।
অদুবু উরুদে মসিমদি
নঙনা লাকপা খুদিং
নঙগী কুংল লৈকা খুদিং
পুদুনা লাকই হায়বদু
ঐগী মংফমগী পাউসু।

### আশা

*– ক্ষেত্রি শান্তকুমার*

তাক্লমদনা চৎখি হায়বগী
ৱারৌবদু থমদনা পুন্সি অসি
য়ায়ফবগী মঙাল য়েংদুনতা
চিন্ন–চান্না হোংখিবা,
ঐদি লম্মুক্লহৌবনি
নুংশিবীনা লুহোংখিবা নুমিৎকুপ,
অমুক অমুকপুদি খল্লকখি
নিরকপদা পীগনি থৌনা লৈনা
মীগী ওইখ্রবী ওইরসু নঙোন্দা,
নঙনা পীরম্বা চৈনাবুদি কনমল্লি
মচেৎ তাহৌরবা থমোয়গুম্মী
নুংশিবীনা লুহোংখিবা অহিংদা।

### লাং

*– এল. রোহেন*

নঙগী,
করম্বা অনিংবা অপাম্বনা?
ঙাঙনিংদ্রববু ঙাঙহন্নবা হোৎনরিবা,
য়েংনিংদ্রববু য়েংহন্নবা হোৎনরিবা,
তনিংদ্রববু তাহন্নবা হোৎনরিবা,
নোকনিংদ্রববু নোকহন্নবা হোৎনরিবা,
শোয়দনা থাক্লমগনি লৌনম ‘লাং’
ওইরমগনি তাৎকী পরেং,
চৎনিংদ্রববু চৎহন্নবা চমন্নরবদুদা,
চৎমীন্ননিংবনা চরাংনরবা নঙনা,
হে পুন্সি!!